ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




খুল ঙাকপশিং হাৎপা অমসুং ফাবা য়ানীংদে হায়দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংনা পেন্দবা ফোঙদোকখিবা

থম্মোয় পাউদম : ওনরেবল সী এম'দা আপীল অমা ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ অফস্পা লৌথোকহন্দবা চুল্লোই, কমদৌসিগে?

শাওনীংবা ফনবা পরিক্ষ্যা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ ঐখোয়না ভোট পীখিবা এম এল এশিংনা মতিং ...

স্পেসতা থা ৬ লৈরক্লবী সুনিতা ৱিল্লিয়মস মথং চহীগী... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ সব-জুনিয়র নেশনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক...

রাজ্য সভাদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফাদর ওফ কন্সটিট্যুশননি হায়রিবা ডা. অম্বেদকরবু করেম-কথাইননা ঙাঙখিবগী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্ট কমপ্লেক্সতা চথখিবা খোঙজংদা এম পি বিমোলনা শরুক য়াবা




Vol. 48, Issue No. 257 | ইরাই, পোইনুগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, December 20, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# হায় কোর্টনা শেমখিবা কমলবাবুগী ইনক্বারি কম্মিটিনা রিপোর্ট পীখৎলক্লে নুমিৎ ২৫নি শুরক্লবসু মহাক ১সুং মহাক্কী গাড়ীদি মফম খঙদ্রি

### খৃষ্টমাস কুম্মৈগী য়েংলগা ৱাকৎ খোঙজং মতম খরগী কোমথোক্লে অদুবু লৈমখোংগী আর্মিশিংদি খোঙনা অমসুং গাড়ীনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা থিংজিনখিগনি : জে এ সী

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৫গী অয়ূক্তা লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজন হেদ কার্টরসগী কেম্পসতা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লনবা চঙখিবদগী মফম খঙলক্ত্রিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী মরী-মখোঙ থিদোক্লবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্টতি ঙসি কোর্টতা পীখৎলকখ্রে অদুবু মহাক অমসুং মহাক্না তোংখিবা গাড়ী (হোন্দা এক্টিভা) গীদি ঙসি নুমিৎ ২৫নি শুরক্লবা ফাওবদা মফম খঙদ্রি।



মফম খঙদ্রিবা কমলবাবু অমসুং মহাক্কী লোয়নবী বেলারানিনা মচানুপাগী বর্দদে পাঙথোকখিবা (ফাইল ফোটো)

ঙসি ফাওবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লু কবুই অনীগী বেঞ্চনা ৱায়েল চথরক্লিবা রিট পিটিশন (ক্রিমিনেল) নম্বর ২০ ওফ ২০২৪ অসি কমলবাবুগী পোকমিন্নবা মনাওনুপা এল ব্রজবাস্সিনা পিটিস্নর ওইদুনা ময়াম্বগী খোঙ্গুল লীবীদুনা তেক্ত-কায়দনা ফংহনবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিশন অসি কোর্টনা ইহান হান্না মমাঙ থাগী ২৭তা লৌখৎতুনা খন্নখিবনি। অদুগা পিটিশন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর, দি জি পি, ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সী, কম্মিস্নর (হোম), এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সেকমাই পি এসকী ও সীদা নুমিৎ নীনি ফাওবগী মনুং হায়বদি নবেম্বর ২৯, ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা কমলবাবু মাঙখিবা থৌদোক্কী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লবা খঙহনখিবনি। অদুবু নবেম্বর ২৯, ২০২৪দা কোর্টনা পিটিশন অসি মখা তানা লৌখৎলকপদা মহাকপু থিবগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা সেকমাই পি এসনা জিরো এফ আই আর কেস অমা লৌখৎপগী মতুংইন্না গমনোম সপরমৈনা পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর ...মখা লমায় ৩ কলম ২

নুপী-অঙাং ৬ হাৎখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎলকপা কেসতা হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউখুম

# মণিপুরগী ঈরাং লাকশিনবদি কন্সটিট্যুশনগী মতুংইন্না ষ্টেটকী সবজেক্ট অমনি

### মণিপুর লৈঙাক্লা ঈরাং লাকশিন্নবা অমসুং ঈং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক হায়জরকখিবা মতেংশিং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরি

### জিরিবামগী নুপী অঙাং ৬কী ইমুংদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লুপা লাখ ৫/৫ পুথো-ক্লরগা কম্পেন্সেশন পীরগনি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১১গী নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা জকুরাধোর কারোং কৈথেলদা লৈবা মীতৈগী য়ূম অমসুং দুকান ১৬ লোম কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থাদোকপদা মীওই অনী মৈনা চাক্তুনা শিখিবদা নত্তনা নুমিৎতুদা থা ৮ খক্তা ঙাইরিবা অমা য়াওনা অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম ফাদুনা পুখ্রগা তমথীনা হাৎলবা মতুংদা বরাক তুরেলদা থাদরকখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল নম্বর ১৮ ওফ ২০২৪গী রেস্পোন্দেন্ট অমা ওইরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী অন্দর সেক্রেটরি অমনা পীরকপা পাউখুমদা মণিপুরগী ভাইওলেন্স অসি লাকশিন্নবগী থবক্তি কন্সটিট্যুশনগী তরেৎশুবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### তাইরেনপোকপী-সঙাইথেল তাইনবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম-নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩৬ রোম তারকপদা লমশাং পি এসনা কোল্লিবা তাইরেনপোকপী অমদি সঙাইথেলগী তাইনবা মফমদা অতম্নন কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চল্লিবা সেবুং কুকি খুলদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা অহানবদা ড্রোন অমা পাইহল্লক্লম্লবা মতুংদা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা লান চথরকখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা চীংথক্তগী মশীং য়াম্লবা কুকি টেররিষ্টশিং কুমথরক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী মফম অসিবু ঙাক শেল্লক্লিবা ষ্টেট ফোর্স অমদি খুল ঙাকপশিংনা পেট্রোলিং চৎলুবদা লাপ্পা কুকি টেররিষ্টশিং অদু কুমথরকপা থেংনখিবনি। অদুগা ইকান কান্নদনা বোম অনী য়াওনা নোংমৈ মরূ কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবনি।

এটেক অসিদা খুল ঙাকপা অমসুং ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগীসু হন্দুনা নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তারকপা ফাওবা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অসিদা কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদা অশোক অপন য়াওরম্বা য়াই হায়রি।

### মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চনবগী মতাংদা এম পি বিমোলনা হংখিবা ৱাহংদা মিনিষ্টরগী পাউখুম

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৫দগী চথরক্লিবা লোক সভাগী নীংথম মীফমদা হাউস অসিগী মেম্বর ওইরিবা মণিপুরগী ইন্নরগী এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হংখিবা ৱাহং (অনষ্টারদ ক্বেশন নম্বর ৪০৮১) গী পাউখুমদা ট্রাইবেল এফ্যেরসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট দুর্গাদাস উইকেনা পাউখুম পীরকখ্রে।

এম পিগী ৱাহংদা অসাম, ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরদা লৈবা মীতৈ ফূরুপশিংবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা করি-করম্বা থবক লৌখৎলবগে, লৌখৎলবদি করি-করিনো অমসুং লৌখৎত্রগনা করি মরমগীনো হায়বা য়াওনা মীতৈ ফুরুপ্পু এস টি লিষ্টতা চলহনবগা মরী লৈননা হৌজিক লৈরিবা ফীভম করিনো অমসুং করি থবক লৌখৎলবগে হায়না হংখিবনি।

ৱাহং অসিগী পাউখুমদা মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেট মিনিষ্টরনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা জুন ১৫, ১৯৯৯ (জুন ২৫, ২০০২ অমসুং সেপ্টেম্বর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# এম এল এশিংনা ফম কোল্লিবসি মীয়াম মূৎপা ঙাইরিব্রা : পোইরৈ লৈমরোল

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কা মান্নরগা মণিপুর মূথৎনবা হোৎনরে হায়না লৈঙাক অনীমক্তা অকনবা মরাল শীরদুনা লৈঙাক ঙাইরিব্রা হায়না পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মৈরা পায়বী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সোরাইশম মেমচানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

খুয়াথোংদা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা



পায়রিবশিংদা য়াওরিবশিংসি মীতৈ নৎত্রবরা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে হায়রদুনা এম এল এশিংনা ফম কোল্লিবা অসি মীয়াম মূৎপা অমোভাগা পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্লা হায়, ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা মনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ডা. অম্বেদকরদা করেম-কথাইনখিবা অমিট শাহ লৌথোকউ হায়দুনা ইম্ফাল ১সুং থৌবালদা কোংগ্রেসনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী মপানি হায়না লাৎলিবা বাবা সাহেব ডা. বি আর অম্বেদকরবু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা রাজ্য সভাদা করেম-ফমদগী লৌথোক্কদবনি হায়না ঙসি লৈবাক শীনবা থুংনা কোংগ্রেসনা চঙশিনখিবা খোঙজংগী মনুং চন্না ইম্ফালদসু এম পি সী সীনা কংলা মমাঙদা খোঙজং চঙশিন্দুনা খোল্লাও কয়া লাউখ্রে।







কথাইনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ঙাঙখিবা ৱাফমশিং লাল্লে হায়জগদবনি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাকপু হোম মিনিষ্টরগী থৌমী কয়ানা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙ তম্না অমিট শাহগী ৱাঙাঙগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎতুনা খোঙজং চঙশিনখি। অদুগা রাজ্য সভাদা ওপোজিশন লীদরসু ওইরিবা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গেদা খূৎ থাখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেশন চথুদুনা মরাল লৈবশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তারমদাইদা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদগী পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা লুচিংদুনা পার্টিগী লুচিংবশিং, থৌপুবশিং অমদি

# বোসেম : করপশনদা চেন্নবা মীওই মতৌ করম্না চ্যেরমেন হাপ্লক্লিবনো : পুরুজিৎ




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** শেঞ্জা-থুমজাদা চেন্নবা অমসুং থবক তৌবগী মতম লোইরবা মীওই অমবু নৌনা মতৌ করম্না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুর (বোসেম) গী চ্যেরমেন হাপ্লিবনো হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেশনগী জেনরেল সেক্রেটরি পুরুজিৎ লাইরিকয়েংবমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা ফেদরেশন অসিগা বোসেমগী এমপ্লোয়ীশিংগা পূন্না পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### মণিপুরদা 'প্রোটেক্তেদ এরিয়া রেজিম' অমুক হন্না চৎনহল্লে

**ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা হৌখিবা চহী ১৪ রোম চুপ্পা মপান লৈবাক্তগী মীওইশিং চঙলকপদা অয়াবা পীরদুনা হোম মিনিষ্ট্রিনা 'প্রোটেক্তেদ এরিয়া রেজিম' (পি এ আর) কোমথোকহল্লকখিবদু খঙহৌদনা খুদক্তগী ৱিথদ্রো তৌরে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ঙরাং মণিপুর খক্তা নত্তনা নাগালেন্দ অমসুং মিজোরাম লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা অইবা চেরোল অমা পীরক্তুনা ফোরেন্নরস (প্রোটেক্তেদ এরিয়া) ওর্দর ১৯৫৮গী মখাদা প্রোটেক্তেদ এরিয়া রেজিমগী কাঙলোনদা হোংদোক হোংজিন খরা লৈরগনি হায়না খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না মপান লৈবাক্তগী মীওইশিং চঙলকপদা কুমজা ২০১০দগী কোমথোরকখিবা অদু অমুক হন্না থমজিল্লে হায়রি। মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লসু মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী খোঙথাং অসি য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদগী লোগী ৱাংমদা মীওই কয়া চঙশিল্লকপদগী ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী লৌখৎলকপা ওইগনি হায়রি।

# খুল ঙাকপশিং হাৎলে অমসুং ফারে হায়বগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪গী অয়ূক্তা হৈরোক পি এসনা কোল্লিবা শলুংফম হায় স্কুল মনাক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত কম্মান্দোনা কাপ্পদা খুল ঙাকপনি হায়বা লাইশ্রম প্রেম (১৮) লৈখিদবা অমসুং মহাক্লা লাকমিন্নখিবা খুল ঙাকপা তরুক ফাজিনখি হায়বগী মায়োক্তা ঙসি কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংনা য়ানীংদবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি খোঙজং চঙশিনখিবা কোলেজশিংগী মনুংদা ইম্ফাল কোলেজ, মণিপুর কোলেজ, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ অমসুং ৱাই কে কোলেজ য়াওখি। কোলেজশিং অসিগী মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা খুল ঙাকপা হাৎপা অমদি ফাবা য়ারোই, থৌবালগী এস পি চুড়াচান্দপুর নৎত্রগা কাংপোকপীদা খুদক্তা ট্রান্সফর তৌগদবনি, খুল ঙাকপা হাৎপদা চেন্নবা মথৌনা ফবা কম্মান্দোশিং থবক্তগী খুদক্তা লৌথোকউ, কংলৈপাক্তগী অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোকউ, মতিক চাদবা লুচিংবা লৌথোকউ হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউখি।

অমরোমদা, মহৈরোয়শিং খক্তা নত্তনা সেকমাইদসু য়াম্লবা নুপী-নুপাশিংনা শরুক য়াদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি।

### এদমিশন কার্দ

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টেন অমসুং হায়র সেকেন্দরি (ক্লাস ত্বেলভ) এগজামিনেশন-২০২৫দা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংগী এদমিশন কার্দ থা অসিগী ৩০দগী ইস্যু তৌরগনি হায়রি।

### মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা গভর্ণর লক্ষ্মন প্রসাদ অচার্য্যনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা ঙসি রাজ ভবনদা একাদেমি অসিগী চহীগী জেনরেল কাউন্সিল মীটিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিনা একাদেমিগী ফেলো এৱার্দনচিংবগী নোমিনিশিংগী লিষ্ট লেপথোকখ্রে।

# লাইরিক তমদুনা মঙলান অমা মঙজরম্বদু তোকথোক্লগা অফং-অফংবা থবক শূদুনা ইচন্নুপী অমদি ইনাওনুপাগী মহৈ তম্বদা মতেং পাংদুনা লৈরি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**
**চূড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা অমা**

(ঙরাংগী মখা...)

মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খামদবদগী হৌজিক থা ২০ চঙশিল্লক্লবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী অহানবা হৌরকফম ওইখিবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী জাইওন ভেঙদগী থৱায় হিংনবা লাঞ্জেন্নরক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা লাইশ্রম সুরেসনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, পিছ রেল্লিনি হায়রগসু লাউ খোংদুনা চৎলুরবা মতুং হল্লক্লগা চূড়াচান্দপুরদা মীতৈনা ফম্বা দুকানশিং কোইথি থিদুনা থুগাই-য়ানখাইবা হৌরকখিবনি। ফীভম অদুদা স্কুল চত্তবদগী পান দুকান ফল্লিবী ইমাগী মতেং পাংদুনা লৈরকখিবা ঐহাক্লা ইমাগনা দুকান লোইশিল্লম্লগা য়ূমদা হল্লকখি।

মীতৈগী দুকানশিং থুগাইবা হৌরক্লবা ফাওবদা লান অসি অদুক য়াম্না কনশিল্লক্কনি হায়না খল্লুদে। অদুবু নুমিদাং য়ৌশিল্লকপদদি মীতৈগী দুকানশিং খক্তা নত্তনা য়ূমশিংসু মথং-মথং মৈ থারকপগী পাউ তারকখি। পাউ অসিদগী ঐখোয়গী লৈকায় ওইরিবা জ'ইওন ভেঙদা লৈবা মীতৈগী খ্বাইদগী চাউবা য়ূম ওইরিবা গোপিমোহোনগী য়ূমদা ময়াম চেনশিন্নদুনা লোৎনবা হৌরকখি।

ঐখোয়সু য়ূম অদুদা চেনশিল্লুবদা মীতৈ মচাশিং ওম্বোক্লা য়াম্না চেনশিল্লক্তুনা লৈরম্বা থেংনখি। মথংগী নুমিৎ মে ৪গী নুমিদাংৱাইরমদা অসাম রাইফলস লাক্তুনা ঐখোয়বু লৌথোকপীরগা মখোয়গী কেম্পতা লৈরবা মতুংদা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকখিবনি।

লাইশ্রম সুরেসনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অসি অসুক্কী মতিক কুইশিল্লক্লে। নহা অমা ওইনা ইহৈ-ইশিং তমজদুনা লৈজগদবা মতম অসিদা পূন্সিদা অমুক্তা খল্লুদবা অসুক তমথীরবা লান অমা থোরক্তুনা ঐখোয়গী মঙলান পূম্নমক কাইহল্লে। নুংঙাইনা ইহৈ-ইশিং তমজদুনা লৈজগদবা মতম অসিদা ঙসিনা করি করম্বা থবক শূরগা য়ামদ্রবদা লুপা ১০০ খক্তং ওইরবসু তানগনি হায়বগী ৱাখলনা লাইনীং ওইদুনা লৈরে।

ঐখোয়গুম্বা চহী নৌরিবা নহা কয়া অমা হৌজিক লেপ্তুনা থোরক্লিবা ঈরাং অসিনা মাঙহনবা হায়বদু ওইরে। অদুগা লান অসি খক্তা নত্তনা বন্দ অমদি কর্ফ্যুনচিংবসু তোয়না তৌশিল্লকপা, স্কুল থিংজিনবগী থবকসু তোয়না তৌরকপনা ঐহাক মখা তানা লাইরিক তম্বগী মহুত্তা ইনাওনুপাগা ইচন্নুপীগীদমক কথোক্লগা তোকতোক্তুনা মখোয় অনীগী মহৈ-মশিং তমহন্নবা হোৎনরগে হায়না লেপ্লকখিবনি।

মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা চথরক্লিবা লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মহৌশাগী ঈং-চিকপা হঞ্জিলহন্দুনা মহৈরোয় কয়াবু মনীং তম্না লাইরিক-লাইশু তম্বা ফংহনবীয়ু। ফীভম অসি ওইহল্লক্ত্রবদি ঐখোয়গুম্বা মহৈরোয় কয়া মখা তানা লাইরিক তমথবা ফংদনা লমখাংদা মাঙলগনি হায়না মহাক্লা থম্মোয় শোক্লা পাউচে অসিগী খূৎখাংদা ফোঙদোরক্লি।

### মৈ হুরাল্লম্বগী মীওই ৩৪ ফারে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর (কম্মর্সিএল) গী চেরোল অমনা ঙরাং অমসুং ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা র্যেদ চথবদা মৈ হুরাল্লম্বগী আই ঈ দি-২ দিভিজন এরিয়াদগী ৩, আই ঈ দি-৩ দিভিজন এরিয়াদগী ৬, আই ঈ দি-৪ দিভিজন এরিয়াদগী ১৯ অমসুং বিষ্ণুপুর দিভিজন এরিয়াদগী ৬ পূন্না মীওই ৩৪ ফারে হায়রি। অদুগা মৈগী টেক্স থিদবগী কঞ্জ্যুমর ৩৬কী মৈ ককথৎলে হায়বগা লোয়ননা এম এস পি দি সী এলগী ওফিশলশিংনা মৈ হুরানবা ফাগৎপগী দ্রাইভ অসি মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# গুদ গভর্ণেন্স ৱীক হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** লৈবাক শীনবা থুংনা ঙসিদগী হৌরদুনা থা অসিগী ২৪ ফাওবা গুদ গভর্ণেন্স ৱীককী মখাদা চথগদবা 'প্রসাশন গাওন কি ওর' মনুং চন্না ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটকী কেবিনেট হোলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা গুদ গভর্ণেন্স ৱীক হৌদোকপদা শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী এদমিনষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস দিভিজন লোয়শঙনা শীনবনি। থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্লা হায়, গুদ গভর্ণেন্স দে অসি লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপায়গী মপোক কুমওন ওইনা মহাক্লা অশানবা মীৎয়েং য়েংবা ঙম্বা লুচিংবা অমা ওইখিবগীদমক দিসেম্বর ২৫দা পাঙথোকপনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মহাক কুমজা ২০১৭কী মার্চতা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি হায়না নীংশিংলদুনা মহাক্লা ফম অসি পুরকপদগী ইহান হান্না চীং অমসুং তম অনীমক্তা চপ মান্ননা চাওখৎহনবগা লোয়ননা মণিপুরবু অমত্তা ওইনা চাওখৎমিন্নবা ষ্টেট অমা ওইহন্নীংবগী ৱাখল পোকখি। মরম অসিনা মহাক্কী লৈঙাক্লা গো টু হিলস মিশন হৌদোক্তুনা ষ্টেট অসিদা লৈরকখিবা চাওখৎ থৌরাংগী অহোবশিং থোং শাদুনা মেনশিন্নবা হোৎনখি।

মিশন অসিগী খূৎখাংদা অরাপ্পা মফমশিংদগী ফংলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না লৈঙাক্লোনগী থবক মীয়ামগী থোঙজিন্দা য়ৌহন্নবগীদমক গো টু ভিলেজ মিশন হৌদোকখিবনি হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫